অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৬৪

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

ঙসি কোংগ্রেস লৈঙাক মুৎখ্রে। অনৌবা বি জে পিগী লৈঙাক অমা ইন্দিয়াগী মনুংদা লাক্লে। ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী অহোংবা লৈরে। পোলিটিক্সকী নুংগী ওইবা কাঙলোনদি কোংগ্রেসতগী বি জে পিনা তমজহৌবা ওইনা লৌনরক্লি। মসি কদাই ফাওবা চুল্লিবগে হায়বা ৱাহং খরসু লৈতবদি নত্তে। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শেঙ্গা-থুমজানা অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদু করিসু অহোংবা লৈতে। মরম অদুনা পোলিটিক্সসি মীয়াম্না করিসু থাজনীংঙাই ওইনা লৌনবা ঙম্লদ্রে। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা শেল চারগা থবক তৌই হায়বসি মীয়াম্না শাংলবা চহী কয়াগী ফারক্লবা পাড়ানি। বি জে পিনা শেল পীরগা থবক তৌই। তাবদদি মানদ্রে। থবক ওইনদি চপ মান্নে। মতম খরগী মমাঙদা বি জে পিবু মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইরম্মী। বি জে পি হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অসি পোলিটিক্সকী নুংগী কাঙলোনদি কোংগ্রেসতগী করিসু খেন্নবা লৈরমদ্রে। ঙসিদি মীয়ামসু খরা খরা ৱাখল তানরক্লে। অদুবু হেক্তা থবক্তা ওন্থোকপা তরাইবদি নত্তে। পোলিটিকেল পার্টিশিংসি লৈবাক মনুংদা চঙখ্রবা উচিদা অমুক হঞ্জিল্লু হায়বদুগা চপ মান্নখ্রে। মতম অমদা লাউরম্বা, ঙাঙলম্বা পূম্বা করিসু অহোংবা অমদি অওনবা লৈরমদ্রে। ইন্দিয়াগী মীয়ামসু ৱাখল তানরক্লে। অদুবু হেক্তা থবক্তা ওন্থোকপদি তরাইবসু নত্তে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ইমান মান্নরম্বসিদা মীয়াম পেন্নদবনি। বি জে পিসু মীনি, কোংগ্রেসসু মীনি, পোলিটিসিয়নশিংসু মীনি। মতাংসিদা মীয়াম্না ককঙাওনদবদি নত্তে।

মতম অমদা কোংগ্রেস লৈঙাক্তগী অনৌবা, অহোংবা, অচুম্বা, অশেংবা থৌরম শোইদনা পুরক্কনি খঞ্জরম্বা খুদিংমক করিসু অহোংবা পুরকপা ঙমদবসি করিগীনো? বি জে পিনা মখৌ পোংনা লাউরম্মী অনৌবা, অওনবা, অচুম্বা, অশেংবা খরদি শোইদনা পুরক্কনি হায়না। মতম শাংনা কোংগ্রেসকী শুপ্নম সাসন অদুদগী নাম্থোকপা ঙল্লমদ্রবসু অনৌবা বি জে পি সাসন অসিনা খরদি হোংহল্লকপা য়াই হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। অদুবু করিসু হোংহনবা ঙমদে। হামু-হামু ওইরে। বি জে পিগী থৌরম থৌশিল ঙম্নমক কোংগ্রেসকী শুপ্নম সাসন অদুদগী পাড়া তমজরগা ওল্লকপা বি জে পি ওইরল্লে। বি জে পিসু মীগী মী অদুম ওইরক্লে। ঙসিগী ইন্দিয়াদা লৈরিবা থবক ফংদ্রবা নহারোলশিং থবক পীবা ঙমদে। মহৈগী থাক নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। কম্প্যুটরগী চক ওইরকই। লাইরিক হৈবা মশীং য়ামখৎলকই। শেঙ্গা-থুমজাগী থাক ৱাংখৎলকই। থবক ফংদ্রবা নহারোলশিংগী নীংবা কায়বগী ৱাথোক হেনগৎলকই। মসিগী মথক্তা মতমসিগী খূৎশু খূৎলায়গী হৈশিংবা হেনগৎলকই। মরকসিদা মতম মতমগী ঈহৌ ঈরাং কনখৎলকই। মসিবু বি জে পি লৈঙাক লাকপদগীরা? নৎত্রগা মতমসিগী চাওখৎলকপগী ঈহৌরা? অদুম ওইনমক হন্দক্কী বি জে পিগী সাসন অসিদা মশক থোকপা ফিদম্লিংঙাই ওইবা খরদি মীয়াম মমাঙদা খুদম ওইনা খঙহনবা হায়বসি মথৌ তাব্রা খল্লি। ঙসি মীয়াম্না ঙাঙনরক্লিবা খুদিংমক অরানবদি নত্তে। বি জে পিগী খ্বাইদগী মরুওইবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরিবা মোদিনা মণিপুরদা লাকপদা লাউরম্বশিং ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী মীয়ামদা থবক ওইনা উহনবা ঙমদবসিমক লাইবক থীবনি। মণিপুরগী ওইনা করিসু অহোংবা উহনবা ঙমদে। ইন্দিয়াগী লুচিংবসিনা ঙাঙলম্বশিং ফাওবা হোংদোকহনবা ঙমদবসিনদি মণিপুরগী সী এমনা করি হেন্না ঙমফম থোকপগে? মসি পূম্নমক ৱা ঙাঙবদা মীয়াম তাবা নুংঙাইনবা ফজ-ফজবা ঙাঙবগী মহুত্তা থবক ওইনা মীয়ামদা উৎথোকপা হায়বসি মতমসিগী মীয়ামগী অপাম্বনি। ঙসিদি মালেমগী ওইনা লাইবক থীরবা তাঞ্জা অমসুনি। মরমদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্তুনা মীয়াম মীপাইনবা তাঞ্জা অমসুনি। হীরম অশোমদা ঙসিগী লৈঙাক্লা মপানথোংদা ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া লেপ্তুনা ঙাঙই। অদুগা থবক ওইনদি মওং মরীল তাবা ওইনা উহন্দবসিদি পূম্নমক্কী থম্মোয়দা পেন্নীংঙাই ওইদে।

মসি পূম্নমক সাসন পায়রিবশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। কোভিদ-১৯গী মরমদা লৈঙাক্লা মীয়ামদা ফজবা ৱাফম কয়া থন্মী। লৈঙাক পায়রিবশিংনা ফাওবা মশাগী কাঙলোন ফজনা পায়খৎলক্তবসি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মাস্ক য়েন্থোকখ্রে। মসিমক খ্বাইদগী ফজবা ৱাফমনি। অদুবু লৈঙাকসিগী মপূং ওইবা মন্ত্রি ফাওবনা থৌরম কয়া শিনবদা লৈঙাক্কী থৌরমদা মপূং ফানা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবসি অচুম্বা খোঙথাং অমা ওইগনি নীংদে। মপুনা চুম্না চৎলগা মখা তাবশিংনা চুম্না থবক পায়খৎলকপা তাবনি। লৈঙাক্লা তৌবনা থৌশাদবা হায়বসি অচুম্বা মীৎয়েং নত্তে। নোংমগী লেপ্তুনা লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিংনা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবগী থবক থৌরমশিংদা কদাই ফাওবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লিবগে? হায়বসি ইশা ইশানা খন্থবীফম থোকই। কোভিদ-১৯ অসি ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ঙসিগী লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা ফজরবা কাঙলোন লৈঙাক্কী মপি-মপা ওইরিবশিংনা থবক ওইনা ফজনা পাঙথোকপগী শক্তম উৎথোকপীয়ু। মণিপুরগুম্বা লমদমসিদি অমনা অমবু থাজনদবনি। মপুংদা নোংমৈ কাপ্নরে তাবদা লোৎপগী মহুত্তা নোংমৈ কাপ্নফমদা য়েংবা থোক্নরিবা লমদম অমনি। মরম খরসিনা নোংমগী লেপ্তুনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন থুগাইবগী নামাদা মীওইশিং ফাদুনা ফাইন খোমগৎপসি তাবদা নুংঙাইবা ৱাৎলি। মসিগী মতাংদা য়াদে হায়না খঙহন্দুনা ফাইনগী মহুত্তা চপ চাবা থবক তৌহন্দুনা থিংবা ঙমদবসি মীয়াম্না শেন্দাল লন্বী ওইনা খন্নরক্লে। হুবু চারুরবদি শি খঙহনবগুম য়াদ্রে হায়বা চপ চাবা খঙহনবা মতমনি। ঙসি চত্থরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসি খরা লৈরবদি মণিপুর পূম্বা হুপ্না মাঙমীন্নবগী পোরম শোয়দনা ওইরক্কনি।

মতাংসিদা লৈঙাক্লা য়াদ্রে হায়বা খরা কনবা এক্সন লৌখৎপা মতম ওইরে। লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা তৌরগা ইয়া য়াবা, শঙ্গ-পঙ্গ লৈবশিংনা আইনবু শেলনা মেনখৎপগী চৎনবীসি থল্লিবমখৈ কোভিদ-১৯দগী হেন্না শাথীরবা থবক মথং-মথং থোরকখিগনি। মতম অমদা লালহৌবা নহারোলগী নামাদা মরাল লৈবা, লৈতবা কয়াবু হাৎতোকপীখিবশিং অশিবতনা মাঙজবা তাহনবসিদি আইন লৈতবগী শাজৎ ওইরক্কনি। মসি সাসন পুবিরিবশিংনা থম্মোয় শেংনদবদগী ওইরকপা ঙাক্তনি। লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবীগে খল্লবদি ঐগী, মীগী- মাগী তোপ্পা থন্বীবসি অফবা খোঙথাং নত্তে। ঙসি ফাওবদা মপান্দগী লাকপা মীওইশিং টেষ্ট তৌরি। অদুগা পোলিটিক্সকী ঈরাং মরক্তা মপান্দগী লাকপা বি জে পিগী মীওইশিংবুনা কোমথোকখি। অদুগা কোংগ্রেসকী মী লাকপদনা অথিংবা থম্বদৌনা পাউচেশিংদা ইনরকখিবশিং অদু পাউচে পারিবা মীতোপশিংনা করিদি খন্নরমগনি। লৈঙাক্কী আইনদি অমত্তনি। মীচম মীয়াম খুদিংমক্লা থাজবা য়াবা অচুম্বা আইন ঙাক্তা মান্নবা মীৎয়েং থন্বীফম থোক্তবরা?

মসিগী মখা তারকপদা পোলিটিক্সকী মীৎয়েংদা বি জে পিগী লুচিংবশিং লৈঙাক পুমিন্নরিবশিং লাকপদা করিগীদমক তকোম তকোম্না থাদোকপীবনো? কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎনবীবরা? ঐখোয়গী লৈবাকসি আইন লৈতবগা চপ মান্নরে। আইন লৈরবদি করিগী খেন্নবা থন্বীদবনো? মীচম ঐখোয়না দিল্লিদা, অসামনচিংবদা চৎলুরগা হেক্তা য়াগদ্রা। লৈঙাক্কী আইনশিং পৱার পায়বশিংগী আইনলা? লমদমসিদা অচুম্বা হায়বসিবু লৈত্রবরা? অচুম্বসি শক্তিনা অচুম্বা ওইরবরা? ঙসি চত্থরক্লিবা আইনগী চৎনবীসিদি হেন্না হেন্না মখা শমথরক্তুনা থাজ-থাজদ্রবা ৱাথোক কয়া থোরক্কনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। মপূংদা মতমসিগী সাসন পায়রিবশিংনা তৌনীং তৌনীংবা তৌবা - কোভিদ-১৯গী চৎন কাঙলোন ঙাক্তবসি মপি মপা ওইরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎহন্নীংবগী অপাম্বা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। ঙসিগী চত্থরক্লিবা থবক খুদিংমক লৈঙাকক্কী লুচিংবশিংনা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। লৈঙাক্কী থবক থৌরম কয়াদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্তবা কয়া লৈখ্রে। মতম পূম্নমক্তা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, চাং নাইনা খূৎশা হামদোক্তবা কয়া উবা ফংই। মসিমক লৈঙাক পুরিবশিংনা তৌরগা য়াবা মীচম মীয়াম্না তৌবদদি য়াদে হায়দুনা শোরাৎ দেব-কর্ম্মদা লেপ্তুনা থেংনরিবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী চৎনবীসিনা আইনবু আইন ওইনা চৎনহন্দবদগী থোকপা ফত্তবা কয়ানা মমৈথংদা মালেম তুম্না মাঙদ্রিঙৈদা ঐখোয়গী মণিপুরনা হান্না তুম্না মাঙলক্কদরা হায়বা মীপায়বা পোক্লদবা নত্তে। লমদমসিদা অচুম্বগী মফম কনমীন্নরবতদা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। ঐখোয়গী লমদমসিদা অচুম্বসিবু লৈরিবরনে? ●

ঙসিগী মালেম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ নত্তবা অতোপ্পা লায়না ময়াম অমসু লৈরি

শুপ্নগী হুইয়েন
লানপাউদা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা
মীওইশিংগী অখন্নবা ৱাখল্লোল

ম্রিনাল পান্দে

সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অমদি
শক্লাইরবী অইবী
mrinal.pande@gmail.com

লোকদাউন তৌখিবগী কান্নবা ৱাফম কয়া লৈঙাক্কী মীদিয়া অমদি লৈঙাক্কী অনিংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না থবক তৌবা মীদিয়াশিংদা লেপ্পা লৈতনা হায়নরি-ইনরি মদুদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯না পাকশন্না শন্দোক্লমগদবা লায়না অসি মতম চানা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহৌবদগী হায়বদি লোকদাউন তৌহৌবনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা ওইরিবা ফীভম অদু ওইদ্রিবনি। লুচিংবশিংনসু হায়, য়েংউ - য়ুরোপ অমদি অমেরিকানচিংবা ইনাকখুনবা তৌগে হায়বত্তা তৌবা ঙম্বা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা মতম চানা অমদি অফবা খোঙথাং লৌখৎহৌবদগী লৈবাক অসিদা লায়না অসি পাকশন্না শন্দোকপা ঙমখিদবনি। পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাংসু য়াম্না নেল্লিবনি। ইটলি, স্পেন, ব্রিটেন, ব্রাজিল অমদি ন্যু য়োর্কনচিংবা লৈবাকশিংদা করম্বা ফীভমদা লৈরি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া নুমীৎ খুদিংগী নুমিদাংৱাইরম অমদি নুমিদাংগী মতম ফাওবা মীয়ামদা খঙহন্নবা-তাহন্নবা হোৎনরি।

নিতি অয়োগনা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না আয়ুসমান ভারতকী স্কিমগী মতেংনা কোভিদ-১৯গী লায়না নাদুনা অরুবা ফীভমদা লৈরম্বা মীওইশিংবু লায়েংবদা মতেং পাংদুনা মীওই কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। লোয়ননা মীওই কয়া অমসু তপ্পা-তপ্পা ফরক্লে হায়না চাওনা লৈঙাক্কী মায়পাকপা ওইনা মীয়ামদা উহল্লি। অদুবু নকশিন্না য়েংলুরগদি অশেংবা শক্তম্না তোঙানবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা নেসনল হেল্থ মিসননা রিছর্স তৌবদা ফংলকপা দাটাশিং পীরি। চহী অসিগী ওইনা মার্চ থাদা নেসনল হেল্থ মিসননা পীখিবা রিছর্সকী রিপোর্ট তশেংনা লৈবাক অসিগী ওইনা চেকশিন্নিংঙাই ওইরি। রিছর্স অদুদা লৈঙাক্লা য়েংশিল্লিবা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী সিটি ৬২৭ অমদি তোঙান-তোঙানবা মপুংফানা চাওখৎপা ঙমদ্রিবা মফমশিংগী হোস্পিটাল ১,৫০,০০০ গী ওইরিবা ফীভমশিং য়েংশিনখি। রিছর্স অদুদা লোকদাউননা মরম ওইদুনা হন্দক চহী অসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ৭৫গী চাউরাক্লা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন ৪০,০০০ য়াওবা ঙমখিদে। হায়রিবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিং অসি য়াওবা ঙমখিদ্রবসু রিছর্স অদুদা য়াওখিবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী ফীভম লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওই।

লৈবাক অসিগী অয়াম্বা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিং, সেমি গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং কোভিদ-১৯ লায়না লায়েংনবা হোস্পিটাল ওইনা শীজিন্নরি। লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিসু তৌদবা য়াদবা খোঙথাংনি। অদুবু কোভিদ-১৯ খক্কী লায়না নত্তনা মীওইবগী থৱায় লৌবা ঙম্বা লায়নানা নারবা মীওই কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। অরুবা লায়না কয়ানা নারবা মীওইশিংনা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা লায়েংনবা মফম লৈতবদগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা শেল চংনা লায়েংনরি। শেল পুথোকপা ঙমদবা মীওইশিংনা শিবা ঙাইদুনা লৈবগা পাঞ্জক ওইরে। মীরোলবী নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কনানা উবিরি শুপ্নগী মীরোলবী নুপী অদুগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং নত্তনা। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লন্নাই হোস্পিটালশিংসু খুদোংচাবা অসি লৌহৌদবা য়াদে হায়বগী মতাগুম অনা-লায়েংবগী হান্না লৌরম্বা চার্জগী চাং হেনগৎতুনা ৱারবা মীওইশিংদা অহেনবা চৈথেং কয়া অমসু পীরি।

লায়রবা মীয়ামগী অনা-লায়েংবদা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংনা চাউনা মতেং কয়া পাংদুনা লাকখিবনি অদুবু হন্দক্কী তানফম অসিদদি গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিং উপাই লৈতবা মীওই অমগুম ওইরে। এন ঐচ এমগী রিপোর্ট অমনা হায়রি : লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা অঙাং পোকপদা মমা অমদি অঙাং শিবগী চাং য়াম্না হন্থরে। অমরোমদা নিতি আয়োগনা হায়রি অঙাং পোকপগী চাং হন্থরে। মরমদি মীরোলবী নুপীশিং হোস্পিটালশিংদা চৎতুনা লায়েংবা চৎনদ্রে। অদুবু অচুম্বা ৱাফমদি হোস্পিটালশিংদা অঙাং পোক্লম্বা অদু হৌজিক য়ূম-য়ূমদা পোক্লরে। মরমদি হোস্পিটালশিং অয়াম্বনা কোভিদ ক্যেয়র সেন্টরশিং ওন্থোকখিবনা ফীভম অসি ওইরকখিবনি।

কোভিদ-১৯গী লায়নাদা খক মীৎয়েং চঙবগী মহুৎতা অসিগুন্নবা অরুবা লায়না কয়াগী লায়েংফম লৈঙাক্লা মতম লৈরিঙৈদা শিনবিহৌবনা ফগনি। করিগুম্বা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অসুমক লৈরগদি লৈবাক্কী ওইনা তুংদা চাউনা অকায়বা কয়া লাকপা য়াই। মরুওইনা তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিংদা অচৌবা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমা ওইহৌরগনি। কাউবিদবা ফৈ মদুদি হেল্থ এক্সপার্টশিংনা হায়খিবা ৱাহৈ: ‘কোভিদ-১৯না অরোইবা পাকশন্না শন্দোরকপা য়াবা লায়না নত্তে।’ কোভিদ-১৯না লাকপদগী লৈবাক অসিনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদগী পারা অমা তমহৌদুনা তুংদা শেমদোকহৌবা য়াবা থবকশিং শেমদোকহৌবনা ফগনি। শেমদোক্লবগীদমক লৈঙাক্লা বজেট মরাং কায়না পীবিবা অমদি মরুওইবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎহৌবা মথৌ তাই।

মীতৈলোলদা : ডা. খাইদেম অথৌবা

ষ্টেটকী পাউ

লৈঙাক্লা পীবা চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু : ফ্রন্ট

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্লা পীবা চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়না রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ)কী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীয়াম্না থেংনরিবা পেন্দেমিক অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা খোঙথাং কয়াগী মনুংদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা লৌরক্লিবা খোঙথাং থাগৎপা ফোঙদোক্লি। চিরবা তানফম অসিদা বিজিনেস মাইন্দেদ ওইবা পোলিসি মানবা মওংদা প্রাইভেট স্কুলশিংনা চত্থরিবা এদমিসন প্রোসিজর অসি খুদক্তা লেপকদবনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয় লোইনমক তমহনবা ঙমগদবা নত্তে। লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী সিট হায়বা অমা লৈরিবসি হেল্লবদি এদমিসন ফংহৌদবা শেল পায়দবা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা তোক্কদৌরিব্রা। মার্ক সিষ্টেমদা এদমিসন তৌবা, মার্ক য়াম্না ফংবা মহৈরোয় খত্তুমক এদমিনসন তৌগনি হায়বগী মওং অমদি পুং খরদা এদমিসন প্রোসেস লোইশিনবা কয়া আর এস এফনা তরাইনা লৌদে।

ক্লাস ইলভেনগী এদমিসন প্রোসেস অসি খুদক্তা লেপ্তুনা মহৈরোয়শিংবু মান্নবা মীৎয়েং অমদা নৌনা এদমিসন চত্থগদবনি। মার্ক বেসিতা মিং চন্নবা শেম্বা পোলিসি চৎনবা য়ারোই। মণিপুর বোর্দ নত্তবা অতোপ্পা বোর্দতগী লাক্কদৌরিবা মহৈরোয় কয়া অমদি কম্পাটর্মেন্টেল থারগা লাক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী এদমিসন টিস স্কুল খুদিংমক্লা পীগদবনি। থেংনরিবা পেন্দেমিক অসিদা ইরমদম অসিগী এদ্যুকেসনগী কাংলোন অমদি একাদেমিক সেসনদা চাওনা অহোংবা লাক্লগনি হায়বসি পুম্নমক্লা খঙনরবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

PINEWOOD VIEW SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI-Sc.FOR THE SESSION 2020-21
FOR MORE INFORMATION
Please Visit our website : www.pinewoodviewschool.com
and Office of the School from 9:30 a.m. to 2 p.m.
Contact No. : 8258095173, 8131939779, 6009366329
PRINCIPAL
L. Somarjit Singh, Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal
FOUNDERS
L. Kumarjit (BIOLOGY) Former Lecturer, Xtra Edge School
S. Nikunja (MATHEMATICS) Former Lecturer, Xtra Edge School
GUEST LECTURERS
L. Ramananda Singh, Retd. Associate Prof. Chemistry
Ch. Rajendro, Retd. Associate Professor Physics
C. Ibotombi Singh
Kh. Dinokumari Devi, Retd. Senior Lect. English
Faculties
ENGLISH Kh. Anjila, Former Lecturer, Xtra Edge School
CHEMISTRY A. Sangita, Former Lecturer, Xtra Edge School
BIOLOGY Meouni L., M.Sc. (D.U) NET (JRF)
PHYSICS Jeetchand S., Former Lecturer, Xtra Edge School
MATHEMATICS N. Rojesh, Former Lecturer, Xtra Edge School; I. Sures, Former Lecturer, Xtra Edge School
MANIPURI S. Renubala, Former Lecturer, Millennium (MIS)
FACILITIES
For Rankers : Freeship + Scholarship
Below Rankers and 85% : Freeship + Scholarship of R 5000/- per month (20 seats only)
80% and Below 85% : Freeship (20 seats only)
70% and Below 80% : Admission Fee Free (20 seats only)
HL-P/7146/17,18,19,20,21...

লৌমী কল্লু, য়ুরিয়া পীবগী চৎনা কাংলোন হোংদোকউ : লৌমী লুপ

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : লৌমী কল্লু, য়ুরিয়া হার পিবগী চৎনা কাংলোন খুদক্তা হোংদোকউ হায়না মণিপুর লৌমী লুপকী সেক্রেটরী ঐচ ইবোবিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী অকনবা শাফু মায়োক্নরবসু কুমগী নোং চুবা হৌরকপগা লোয়ননা লৌমীশিংনা পামফেন লৌউ তৌনরি। মমাঙ চহীদা কুমগী নোং ৱাৎনা চুবদগী লংচাক হাল্লগা পান্বীশিং কংদুনা মাংনখিবা অদু চহী অসিদা থোকহন্দনবনি হায়বদু এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অমদি দিরেক্টরনা খঙফম থোকই। ঈকং থোক্লবসু ফৌ পান্বীশিং হিংহন্নবা লৌমীশিংনা লন্নাই ঈশিং লৈরগা মৱারবু ৱানা ফৌ হিংহন্নবা হোৎনরি।

ফৌ খরদা ওইরবসু ফংহন্নবা হোৎনরিবা অসি উশিন্নদনা লন্নাই হার লল্লোল ইতিক তৌবশিং শৌগৎপা ওইনা বেগ অমদা লুপা ৫০০/৬০০গী চাংদা য়োল্লিবসি ফানবা হোৎনদনা পাট্টা পায়বশিং হার ফংহন্নবা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা অনৌবা চৎনা-কাংলোন অমা হৌদোক্লিবা অসি খুদক্তা হন্দোক্লবা মণিপুর লৌমী লুপনা দিমান্দ তৌরি। থৌশিল অসিনা মতম চানা তঙাইফদবা য়ুরিয়া, সুপর, ফোসফেট, দাইমন্দ অমসুং পোটাসনচিংবা ফংহনবা ঙল্লোই। অরোনবা লল্লোল ইতিক তৌবশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীবনি হায়বসি মণিপুর লৌমী লুপকী থাজবনি।

হৌজিক চৎনহল্লিবা হার য়েনবগী চৎনা কাংলোন অসিনা লৌমীশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি হায়বসি লৈঙাক্লোইশিংনা খঙফম থোকপনি। মসি খঙনা-খঙনা লৌমী ওৎপা হার খুৎয়েন চত্থবা অসি খুদক্তা হন্দোকহন্নবা লৈঙাক অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পাউতাক পীদ্রিবা অসি অঙকপা পোকই। লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা নুংশিরবদি খুদক্তগী হার য়েনবগী অনৌবা চৎনা কাংলোন হোংদোকহনগদবনি। কোভিদ-১৯গী অৱাবা শাফু কয়া লৈরবসু তঙাইফদনা কুমগী নোং চুবা হৌরকপা অসিদা লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউগী থবক চত্থনবা হোৎনরিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

প্রাইম মিনিষ্টর ষ্ট্রিট ভেন্দর স্কিম মণিপুরদা মায় পাক্লা পায়খৎপীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : প্রাইম মিনিষ্টর ষ্ট্রিট ভেন্দর অত্মানিভার নীধি স্কিম মণিপুরদা মায় পাক্লা পায়খৎপীয়ু হায়না রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন, খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না অৱাবা মায়োক্লরবা মণিপুরগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী অপুনবা এসোসিএসন অমা ওইরিবা ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরগী একজিক্যুটিভ মিতিং ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবা স্কিম অসি ভেন্দরশিংগী ৱেলফ্যের স্কিমনি। মসিগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। স্কিম অসিগী মখাদা ইম্ফাল সিটি মনুংদা পোৎ য়োল্লিবা অমদি অরাপ্পা খুলদগী লাকপা য়াওনা নুপী ষ্ট্রিট ভেন্দর কয়া অমনা স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা লোন ফংনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা দোক্যুমেন্টশিং সমিত তৌবা হৌরে। মণিপুরগী মফম কয়াদা পোৎ য়োল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দেরশিংদসু লৈঙাক্লা খুদোংচাবা পীনবা থবক পায়খৎলকপদা এসোসিএসননা হরাওবা পোকই। স্কিম অসি মায় পাক্লা পায়খৎনবা লৈঙাক্লা হোৎনরকপদা এসোসিএসননা অঙম্বা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ।

স্কিম অসি লাক্লবা হোৎনবদা এসোসিএসন অসিগা চৎমিন্নরিবা নেসনল হোক্কর ফেদরেসননা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদমক য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা অকনবা প্রেসর পীদুনা মায় পাক্লকখিবা অসি মীতিংদা খন্ন-নৈনখি। স্কিম অসি মায় পাক্লা মণিপুরদা পায়খৎপা য়ানবা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী নোটিফিকেসন থোক্তুনা অতৈ ম্যুনিসিপাল কান্সিল কয়াদসু অসিগুম্বা নোটিস থোকপা থেংনবদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি।

ষ্ট্রিট ভেন্দর ওইরবশিং খুদোংচাবা ফংহনগদৌরি। স্কিম অসি সেন্ট্রেল স্কিম ওইবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ হাওসিংনা ফন্দ থাদগদৌরি। মণিপুর লৈঙাক্লা স্কিম অসিগী মখাদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱার্কিং কেপিটেল ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘শেল খোম্বগী থবক তং তাবা ফিভম লাক্ত্রিবা ফাওবা লেপ্পিয়ু’

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : শেন্দোই খোম্বগী থবক হৌজিক লৈবাক্কী ওইবা অৱাবা ফিভম অসিদা তং তাবা অমা লাক্ত্রিবা ফাওবদি লেপ্পিয়ু হায়না য়ুনাইটেদ পোরোম্পাৎ বারুনি রোদ ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী ব্রোজেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী ফিভম অসি থেংননবা লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি। হৌজিক তং তাবা ফিভমদা লাকপা ঙমদ্রি। শুফম নোম্ফম খঙদবা, নোংমগী শুরগা হিংবা মীচম কয়া ঙসিদি অৱাবগী পনখৈ মায়োক্লরে। ইনাক খুনবা মীওইশিংগী গাড়িনা লোকদাউন মনুংদা ট্রাফিক জাম থোক্লবসু মীওই খরগী ইমুংদদি চাকখুম মৈ মুৎপা য়াওদবা নত্তে। অরৈবা লৈতবা তাথোক-তাশিন তৌরগা পুন্সি অমা শেমগৎনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তারি।

ৱারবা তাল্লক অসিদা লন্নাই বেঙ্ক অমদি মাইক্রো ফাইনান্স তৌদুনা শেলগী লল্লোল্লিবা ইচিল-ইনাওশিংনা থাখাই অমদি থাগী শেল খোমগৎনবা হোৎনরিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌবা চুল্লোই। তং তাবা অমদা লাক্ত্রিবা ফাওবদি শেল খোমগৎপা লেপ্পিয়ু। হৌজিক কৈথেল ফল্লিবা ইমা-ইবেলশিংসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। শেলগী লল্লোল ইতিক তৌরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা শেল খোম্বগী থবক অসি লেপ্পিয়ু হায়রি।

চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : ওন্ট্রপ্রেনিয়র ডা. এলিসন অবোনমৈনা চীং-তম ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগা খুৎশম্না মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা চত্থরকপা চান-থক্লবা চেঙ তেংবাং পীবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্লবা সেকমাইজিন খুনৌগী ইমুং ১৩০দা চেঙ, অলু, থুমনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

ডা. এলিসন অবোনমৈ য়াওনা মতেং পাংবগী থবক চত্থখিবা অদুদা চীং-তম ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন কুঞ্জেশ্বরী, একজিক্যুটিভ মেম্বর তখেল্লম্বম মিনারানি অমদি অতৈ থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

ডা. এলিসননা ফোঙদোকখিবদা তেংবাং ওইনা পীরিবা পোৎলমশিং অসি চীং-তম ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন অমদি মশা য়াওনা চত্থবা তেংবাংগী শরুক অমা ওইনা পীবনি। ফৌবাকচাওদগী পুকচেল চাওরবা ইরেংবম বুমিচানা স্পোন্সর তৌরকপনি। কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা অৱাবা মায়োক্লরিবা মতম অসিদা কাংলুপ-ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা চীং-তম অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোলদা লমদম অসিগী পুকচেল চাওরবশিংনা মতেং পাংবীয়ু। অৱাবা তারবা মতমদা ঙমজবা খরদা ওইরবসু মীয়ামগী মতেং পাংলবদি ঐখোয়গী মশেলগী মরক্তা অচেৎপা নুংশিন্নবা মরী অদু ফংবা ঙমগনি। কোভিদ-১৯গী অৱাবা ফিভম অসিদা তঙাইফদনা মতেং পাংবনি হায়নসু মখা তারি।

পাউচে অসিদা ফোঙদজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।